# এস ও পি ঙাক্তবশিং এটেম্প টু মর্দর কেস চার্জ তৌরগনি

গুৱাহাটি, মে ১২ (এজেন্সী):

অসাম গভর্ণমেন্টনা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা এস ও পিশিং রিভাইস তৌখিবগা লোয়ননা করিগুম্বা নৌনা শেমখ্রবা এস ও পিগী চৎনা কাঙলোনশিং থুগাইরম্বা থেংনরবদি হায়রিবা মীওইশিং অদু ফাবগা লোয়ননা মখোয়গী মথক্তা এটেম্প টু মর্দর কেসকী চার্জ তৌরগনি হায়না অসাম পুলিসকী দি জি পি ভাস্কর জোটি মহন্তনা ফোঙদোকখ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা পাউজী মীফম অমদা ৱা ঙাঙলদুনা দি জি পি ভাস্করনা হায়খিবদা লৈবাক অসিগী ষ্টেট খুদিংমক্তা কোভিদ-১৯ গী অনীশুবা ৱেভনা অকনবা চৈথেং পীরক্লিবা অসি কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা লৈঙাক্লা শেল্লিবা এস ও পি মীয়ামনা ঙাক্লা চৎপা মথৌ তাই। করিগুম্বা হায়রিবা অসিগী মায়োক্তা থবক তৌরম্লবদি মখোয়বু ফাদুনা লোগী ওইবা এক্সন লৌখৎপগা লোয়ননা এটেম্প টু মার্দর কেস চার্জ তৌগনি হায়রি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ষ্টেট অদুদা লৈরিবা দুকান অয়াম্বনা মনুংদা লৈরগা মপানদা থোঙ লোনবা শারগা পোৎ য়োনবগী থবক চথুরি। অসিগুম্বা থবক অসি মখা তানা দুকান ফল্লিবা মীওইশিংনা তৌরোইদনি। করিগুম্বা মখা তানা তৌরম্বা থেংনরবদি দুকান মপুশিং অদুগী মথক্তা এন দি এম এ এক্টকী মখাদা বুক তৌবগা লোয়ননা চৈরাক কয়া পীবা য়াই। মসিদা নত্তনা লনাই মীওই খরনা মশাগী ওইবা প্রাইভেট ইভেন্ট ওর্গনাইজ তৌরোইদবনি। করিগুম্বা হায়রিবা অসিগী মায়োক্তা ইভেন্ট ওর্গনাইজ তৌরম্লবদি ষ্টেট অসিগী য়েক্লবা মীওইশিংনি হায়না লৌবগা লোয়ননা অহেনবা এক্সন কয়া লৌখৎনবা শেম শাবা লোয়রে হায়রি।




আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা সেলোন বটালিয়নগী অসাম রাইফলসনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা প্রাইমরি স্কুল অনী অপগ্রেদ তৌখিবা

# অসাম এসেমব্লিগী নুমিৎ হুমনিগী সেসন মে ২১ দগী হৌরগনি




গুৱাহাটি, মে ১২ (এজেন্সী):

বি জে পিনা লুচিংবা অসামগী অনৌবা গভর্ণমেন্ট শেমখ্রবা তুংদা অসাম লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী সেসন মে ২১ দগী হৌরগনি। ছোর্স খরগী মতুং ইন্না এসেমব্লি সেসন অদু নুমিৎ হুমনি চুপ্পা পাঙথোক্কনি।

সেসন অদুদা ষ্টেট এসেমব্লিগী অনৌবা স্পিকর খনগনি। হন্দক্তা পাঙথোকখিবা অসাম এসেমব্লিগী মীখলদা বি জে পিগী টিকেটতা উদলগুরি দিষ্ট্রিক্টকী পানেরি কন্সটিট্যুয়েন্সিদগী কারককখিবা হান্নগী রাজ্য সভা মেম্বর বিশ্বাজিৎ দাইমারিবু অনৌবা স্পিকর ওইনা খল্লবা য়াই হায়না থাজনরি।

বোদোলেন্দ পিপলস ফ্রন্ট ( বি পি এফ) কী লুচিংবা অমা ওইরম্বা বিশ্বাজিৎ দাইমারি বোদোলেন্দ টেরিটোরিয়েল কাউন্সিল (বি টি সী) গী মীখলগী মাংওইননা ভারতিয়া জনটা পার্টি (বি জে পি) দা য়াওখিবনি। এসেমব্লি সেসন অদুদা অনৌবা এম এল এশিং ৱাশক লৌগনি।

অনৌবা চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্বা সর্মা অমসুং অতে মিনিষ্টর ১৩ হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা গুৱাহাটিদা লৈবা শ্রীমন্ত সঙ্করদেবা কৈলানক্ষেত্রদা ৱাশক লৌখি। জে লদা লৈরুরবা নৌনা শেম্বা রিজনেল পোলিটিকেল পার্টি রাইজোর দলগী প্রসিদেন্ট অখিল গোগোইসু এম এল এ অমা ওইনা ৱাশক লৌগনি। মহাক কুমজা ২০২১ গী অসাম এসেমব্লি মীখলদা সিবসাগর কন্সটিট্যুয়েন্সিদগী কাখিবনি।

অখিল গোগোই অসামদা এন্টি-সী এ এ প্রোটেষ্টশিং লুচিংলুবদগী এমেন্ট তৌরবা অনলোফুল এসেমব্লি প্রিভেন্সন এক্ট (য়ু এ বি এ) গী মখাদা নেস্নেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন আই এ) না কুমজা ২০১৯ দা ফাখিবনি। মেম্বর ১২৬ লৈবা অসাম এসেমব্লিদা হৌজিক বি জে পিগী মেম্বর ৬০, কোংগ্রেসকী মেম্বর ২৬, ওল ইন্দিয়া য়ুনাইটেদ দিমোক্রেটিক ফ্রন্ট (এ আই য়ু দি এফ) কী মেম্বর ১৬, অসোম গনা পরিষদ (এ জি পি) গী মেম্বর ৬, য়ুনাইটেদ পিপলস পার্টি লিবরেল (য়ু পি পি এল) গী মেম্বর ৬, বোদোলেন্দ পিপলস ফ্রন্ট (পি পি এফ) কী মেম্বর ৪, সী পি আই (এম) গী মেম্বর ১ অমসুং রাইজোর দলগী মেম্বর অমা লৈ।

অমরোমদা অসামগী লালহৌবা গ্রুপ উলফা (আই) গী কাদরশিংনা ফাখিবা ও এন জি সীগী ইমপ্লোয়ী রিতু সাইক্যাবু তেক্তা কায়দনা থাদোকহন্নবগী খোঙথাংশিং লৌখৎপীনবা সাইক্যাগী ইমুংগী মীওইশিংনা অসামগী অনৌবা চীফ বিনিষ্টর হিমন্ত বিস্ব সর্মাদা তকশিনখ্রে।

# মে ১৬ তগী চহী ১৮-৪৪ গী মীওইশিংদা ভেক্সিন কাপ্পা হৌরগনি

গেংটোক, মে ১২ (এজেন্সী):

ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল অমসুং ব্লোগ দিভলপমেন্ট ওফিসরশিংগা ঙরাং সিক্কিমগী চীফ মিনিষ্টর পি এস তমাংগা উন্নদুনা ষ্টেট অদুদা হৌজিক ওইরক্লিবা কোভিদ-১৯ গী মতাংদা খন্নখিবগা লোয়ননা থা অসিগা ১৬ তগী হৌরগা চহী ১৮-৪৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিংদা কোভিদ-১৯ গী ভেক্সিন কাপ্পা হৌরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরনা হীরম অসিগা মরী লৈননা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হায়রিবা চহী অসিগী মনুংদা লৈবা মীওই খুদিংমক্না অথুবা মতমদা রেজিষ্টর তৌনবা আপীল তৌখিবগা লোয়ননা হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরিবা মীওইশিংগী ওইনসু হীদাক অসি য়ুম য়ুমদা মেদিকেল ওফিসরশিংনা চত্তুনা কাপহন্নবগীদমক শেম শাবা লোইরে।

কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্লা চৈথেং ফংলবা ষ্টেট অদুগী মীওইশিংদা ব্লোক এদমিনিষ্ট্রেটিভ সেন্তরশিংনা চেঙ য়েন্থোক্ল বসু খঙহনখিবগা লোয়ননা মীয়াম্না কোভিদ-১৯ কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা লৈঙাক্ল পায়খৎলিবা থবকশিংদা মতেং পাংনবা আপীল তৌরি।

# নাগালেন্দদা কোভিদ-১৯ গী কেস লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলক্লি

দিমাপুর, মে ১২ (এজেন্সী):

নাগালেন্দদা কোভিদ-১৯ না মরম ওইরগা হৌখিবা পুং ২৪ দা মীওই ২৬৯ ইনফেক্ট তৌহনখ্রে। অদুগা হায়রিবা মতম অসিদা পুন্না মীওই ৫ শিহনখ্রে হায়না হেল্থ এন্দ ফেমিলি মিনিষ্টর পি পাংয়ু ফোমনা ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা পুং ২৪ দা ষ্টেট অদুদা থেংনখিবা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ২৬৯ গী মনুংদা ২০৭ না দিমাপুরদগী, ৪০ না কোহিমাদগী, ৮ না তুয়েনশাংদগী, মকোকচুং অমসুং মোনদা ৪/৪ অদুগা লোংলেন, জুনেবোটো অমসুং পেরেনদগী অমমমনি।

ঙসি থেংনখিবা অনৌবা কেস মশীং অসি থারগা নাগালেন্দদা কোভিদকী অনৌবা কেস মশীং ৩০৮১ শুখ্রে অদুগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা ষ্টেট অদুদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা শোকহনখিবা অপূনবা মশীং ১৬,৫৫২ য়ৌখ্রে। ষ্টেট অদুদা লায়না লাইচৎ অদুনা শিহনখিবা মশীংনা ১৪৫ শুখ্রে। অদুগা রিকোভর তৌখিবা মশীংনা ১২,৭৭৯ শুখ্রে হায়রি। হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা পুন্না মীওই ৪৫ রিকোভর তৌবা ঙমখি।

# ত্রিপুরাদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ৪৬৬ থেংনখ্রে, লাইচৎ অসিনা ১১ শিহনখি

অগরটালা, মে ১২ (এজেন্সী):

লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ শন্দোকপগী চাং নোংম নোংমগী হেনগৎলক্লি। ত্রিপুরাগী ওইনসু হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ৪৬৬ থেংনখি। অদুগা হায়রিবা মতম অসিদা লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা ষ্টেট অদুনা পুন্না মীওই ১১ শিহনখি হায়না ষ্টেট হেল্থ মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।





অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা ষ্টেটশিংগী ওইনা কোভিদ-১৯ না খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীবা ষ্টেট অসি অসামনা ওইরি। মদুগী মতুংদা মণিপুর অমসুং ত্রিপুরাসু লায়না লাইচৎ অসিনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীবা ষ্টেট অমা ওইরি। কোভিদ-১৯ গী অনীশুবা ৱেভ লাকখ্রবা মতুং পুং ২৪ গী মনুংদা অনৌবা কেস ৪৬৬ থেংনবা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানব ওইরি।

ত্রিপুরাদা ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা কা হেন্না পাখৎনিংঙাই ওইরিবদি চহী নৌরিবা মীওইশিং য়াওনা লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা শিহল্লকপা অসিনি। হেল্থ দিপর্টমেন্টকী রিপোর্ট মতুং ইন্না ষ্টেট অদুদা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌনবগীদমক পুন্না সেম্পল ৬,২৮৮ লৌখৎখি। মদুগী মনুংদা ১০৮১ না আর টি -পি সী আরগীনি। অদুগা ৫,২০৭ না রেপিদ এন্টিজেন্ট টেষ্ট তৌখিবনি।

অপূনবা টেষ্ট তৌখিবা সেম্পলশিং অদুগী মনুংদা ৪৬৬ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখিবনি। ত্রিপুরাদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লায়না লাইচৎ অসিনা পুন্না মীওই ৩৮,১৫৮ শোকহনখ্রে। হায়রিবা মশীং অসিগী মনুংদা ৩৪,৭৬১ দি মপুং ফানা রিকোভর তৌবা ঙমখ্রে। হৌজিক্কী ওইনা ষ্টেট অসিদা কোরোনা ভাইরস ইনফেক্সনগী রেট অসি চাদা ৫.০২ ওইরি অদুগা রিকোভর তৌবগী চাংনা চাদা ৯১.২৪ ওইরি। ঙসি ষ্টেট অদুদা নৌনা থেংনখিবা কেস ৪৬৬ অদুগী মনুংদা ২৭১ না ত্রিপুরা ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট, ৩৯ না সাউথ দিষ্ট্রিক্ট, ১৪ না গোমতি দিষ্ট্রিক্ট, ২৯ না ধলাই দিষ্ট্রিক্ট, ৪২ না সেপাহিজালা দিষ্ট্রিক্ট, ৩৬ না নোর্থ ত্রিপুরা দিষ্ট্রিক্ট, ২৮ না উনাকোতি দিষ্ট্রিক্ট অমসুং ৭ না খোৱাই দিষ্ট্রিক্টতগীনি।

## CROSSWORD-3778



**ACROSS**

1 Take away (8)
5 Chilly (4)
8 Umbilicus (5)
9 Silhouette (7)
11 Apart (7)
12 Called (5)
13 Mediterranean island (6)
15 Avoided (6)
18 High-spirited escapade (5)
20 Astounding (7)
23 South American country (7)
24 Rogue (5)
25 Extinct bird (4)
26 Perfect (8)

**DOWN**

1 Father Christmas (5)
2 Camp out (7)
3 Annoyed (5)
4 Groups of singers (6)
6 Hatred (5)
7 Greatly feared (7)
10 Latin-American dance (5)
13 Accomplish a goal (7)
14 Enticed (5)
16 Make a wry face (7)
17 Cask (6)
19 Sixteen ounces (5)
21 Awry (5)
22 Surmise (5)

**Solution 3777**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| B | I | S | E | C | T | ■ | S | H | U | T | U | P |
| L | ■ | O | ■ | O | ■ | ■ | ■ | A | ■ | R | ■ | E |
| A | V | A | I | L | ■ | P | A | T | T | E | R | N |
| S | ■ | K | ■ | O | ■ | E | ■ | L | ■ | N | ■ | U |
| T | H | I | N | N | E | R | ■ | E | I | D | E | R |
| S | ■ | N | ■ | ■ | ■ | P | ■ | S | ■ | ■ | ■ | Y |
| ■ | ■ | G | O | D | D | E | S | S | E | S | ■ | ■ |
| A | ■ | ■ | ■ | U | ■ | T | ■ | ■ | ■ | M | ■ | S |
| M | E | R | I | T | ■ | U | N | T | W | I | N | E |
| I | ■ | H | ■ | I | ■ | A | ■ | E | ■ | L | ■ | N |
| G | L | E | E | F | U | L | ■ | A | L | E | R | T |
| O | ■ | U | ■ | U | ■ | ■ | ■ | C | ■ | O | ■ | R |
| S | I | M | P | L | E | ■ | S | H | A | N | D | Y |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-3577**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | 9 | | | | 1 |
| | | 4 | 1 | 8 | | 7 | | 6 |
| 6 | | 1 | 3 | | | | | |
| 4 | | | | | | | 5 | |
| 7 | | 6 | | | | 1 | | 4 |
| | 2 | | | | | | | 3 |
| | | | | | 4 | 8 | | 9 |
| 9 | | 8 | | 2 | 1 | 3 | | |
| 2 | | | | 6 | | | | |

**Solution-3576**

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 1 | 2 | 5 | 7 | 9 | 4 | 6 | 3 |
| 7 | 3 | 6 | 2 | 1 | 4 | 8 | 5 | 9 |
| 4 | 5 | 9 | 6 | 8 | 3 | 1 | 2 | 7 |
| 9 | 4 | 5 | 1 | 3 | 7 | 2 | 8 | 6 |
| 6 | 7 | 1 | 8 | 5 | 2 | 3 | 9 | 4 |
| 2 | 8 | 3 | 9 | 4 | 6 | 7 | 1 | 5 |
| 1 | 6 | 4 | 7 | 9 | 8 | 5 | 3 | 2 |
| 5 | 9 | 7 | 3 | 2 | 1 | 6 | 4 | 8 |
| 3 | 2 | 8 | 4 | 6 | 5 | 9 | 7 | 1 |

## EMPLOYMENT NEWS

IGCAR Kalpakkam Recruitment 2021: Government of India, Department of Atomic Energy (DAE), Indira Gandhi Centre for Atomic Research (IGCAR) Kalpakkam invites online applications from eligible Indian Citizens for recruitment of Group A, Group C and Stipendiary Trainees. The online registration process will be start from 15th April 2021 and scheduled to be close on 14th May 2021.
ADVERTISEMENT NO. IGCAR/02/2021
Direct Recruitment:
Name of Post
No of Vacancies
Scientific Officer / E (Group A)
01
Technical Officer / E (Group A)
01
Scientific Officer / D (Group A)
03
Technical Officer / C (Group A)
41
Technician / B (Crane Operator)
01
Stenographer Grade III
04
Upper Division Clerk (UDC)
08
Driver (OG)
02
Security Guard
02
Work Assistant / A
20
Canteen Attendant
15
Stipendiary Trainee Vacancies:
Name of the Post
No of Vacancies
Stipendiary Trainee Category I
68
Stipendiary Trainee Category II
171
Age Limit:
Scientific Officer / E: 18 to 40 years
Technical Officer / E: 18 to 40 years
Scientific Officer / D: 18 to 40 years
Technical Officer / C: 18 to 35 years
Technician / B (Crane Operator): 18 to 25 years
Stenographer Grade III: 18 to 27 years
Upper Division Clerk (UDC): 18 to 27 years
Driver (OG): 18 to 27 years
Security Guard: 18 to 27 years
Work Assistant / A: 18 to 27 years
Canteen Attendant: 18 to 25 years
Stipendiary Trainee Category I: 18 to 24 years
Stipendiary Trainee Category II: 18 to 22 years
Pay Scales:
Scientific Officer / E: Level 12 ? 78800/- + DA + allowances as admissible to Central Government Rules
Technical Officer / E: Level 12 ? 78800/- + DA + allowances as admissible to Central Government Rules
Scientific Officer / D: Level 11 ? 67700/- + DA + allowances as admissible to Central Government Rules
Technical Officer / C: Level 10 ? 56100/- + DA + allowances as admissible to Central Government Rules
Technician / B (Crane Operator): Level 3 ? 21700/- + DA + allowances as admissible to Central Government Rules
Stenographer Grade III: Level 4 ? 25500/- + DA + allowances as admissible to Central Government Rules
Upper Division Clerk (UDC): Level 4 ? 25500/- + DA + allowances as admissible to Central Government Rules
Driver (OG): Level 2 ? 19900/- + DA + allowances as admissible to Central Government Rules
Security Guard: Level 1 ? 18000/- + DA + allowances as admissible to Central Government Rules
Work Assistant / A: Level 1 ? 18000/- + DA + allowances as admissible to Central Government Rules
Canteen Attendant: Level 1 ? 18000/- + DA + allowances as admissible to Central Government Rules
Educational Qualifications:
Scientific Officer / E: Ph.D. in Metallurgical Engineering / Materials Engineering with B.Tech with minimum 60% marks in respective discipline. Minimum 04 years relevant experience.
Technical Officer / E: B.E. / B.Tech with minimum 60% marks in Chemical discipline.
Scientific Officer / D: Ph.D. with Bachelor of Science and Master of Science (in relevant discipline) or B.E. and M.E. or Master of Technology in in relevant discipline with minimum 60% marks.
Technical Officer / C: M.Sc. / M.Tech / B.E. / B.Tech / B>Sc.
Technician / B (Crane Operator): SSC with Science and Maths with minimum 60% marks (OR) Higher Secondary Certificate (HSC) with minimum 60% marks in Physics, Chemistry and Maths.
Stenographer Grade III: Matriculation / SSC or equivalent with 50% marks. Minimum speed of 80 wpm in English Short hand and 30 wpm in English typing.
Upper Division Clerk (UDC): A Degree in any discipline with an aggregate of 50% marks.
Driver (OG): Pass 10th Standard (Matric) / SSC. Valid driving licence to drive light and heavy vehicles.
Security Guard: SSC Pass or equivalent certificate from Armed Forces.
Work Assistant / A: Pass in 10th standard / SSC / Matric.
Canteen Attendant: Matriculation or equivalent qualification.
Stipendiary Trainee Category I: Diploma / B.Sc. Degree in relevant discipline.
Stipendiary Trainee Category II: Minimum SSC / HSC Pass in relevant discipline. ITI certificate of not less than 02 years duration in the relevant trade.
Selection Process:
Skill Test / Trade Test
Interview.
Application Fee:
300/- for Scientific Officer / Technical Officer posts.
200/- for Stipendiary Trainee Category-I posts.
100/- for Stipendiary Trainee Category-II posts.
The fee is payable online through Net Banking / Credit Card / Debit Card only.
How to Apply: Eligible Interested candidates should apply online through IGCAR official website (igcar.gov.in) from 15th April 2021. The last date for registration of online applications is 14/05/2021 up to 11:59 PM.

---

Dedicated Freight Corridor Corporation of India Limited (DFCCIL) invites online applications from eligible candidates for recruitment of following Junior Manager, Executive and Junior Executives in various disciplines. The last date for registration of online applications is 23rd May 2021.
Advertisement No. 04/2021
Name of Post
Total Vacancies
Junior Managers
111
Executives
442
Junior Executives
521
Discipline wise Vacancies:
Junior Managers: Civil - 31, Operations & BD - 77, Mechanical - 03.
Executives: Civil - 73, Electrical - 42, Signal & Telecommunication - 87, Operations & BD - 237, Mechanical - 03.
Junior Executives: Electrical - 135, Signal & Telecommunication - 147, Operations & BD - 225, Mechanical - 14.
Age Limit: (As on 01/01/2021)
18 to 30 years for Executive and Junior Executive posts.
18 to 27 years for Junior Manager.
Pay Scales:
Junior Managers: ? 50,000 - 1,60,000 (E-2)
Executives: ? 30,000 - 1,20,000 (E-0)
Junior Executives: ? 25,000 - 68,000 (N-5)
Educational Qualifications:
Junior Managers:
(1) For Civil / Mechanical: Bachelor's Degree (B.E.) in Civil Engineering with not less than 60% marks in aggregate.
(2) For Operations & BD: 02 years MBA / PGDBA / PGDBM / PGDM in Marketing / Business Operation / Customer Relation / Finance with not less than 60% marks in aggregate.
Executives:
(1) 03 years Diploma in relevant engineering discipline.
(2) For Operations & BD: Graduation (Bachelor's Degree) with not less than 60% marks.
Junior Executives:
(1) Matriculation / 10th class pass with not less than 60% marks in aggregate.
(2) Minimum 02 years ITI year duration Course Completed Act Apprenticeship/ ITI approved by SCVT/ NCVT in any relevant trade.
Selection Process:
Computer Based Test (CBT)
Document Verification
Interview
Medical Test
Application Fee:
1000/- for Junior Manager, Rs 900/- for Executive and Rs 700/- for Junior Executive posts.
No fee for SC / ST / PwBD / Ex-Servicemen candidates.
The fee can be made through online mode only.
How to Apply: Eligible candidates are required to apply online through DFCCIL official website (dfccil.com) from 24th April 2021. The Candidates should have a valid personal e-mail ID and Mobile number. The last date for registration of online applications is 23/05/2021 up to 23:45 Hours.

